# মতম অমগী লাইরিক খূত্তমদো - ঙসিনা লন্নাই ট্যুসন চৎনবীনা খূদুম চনশিল্লক্লিবা লাইরিক খূত্তম্বী

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*য়েংঙু অঙাংশা। হৈবোং মসাদা পাল্লিবা হৈবোংশিংসে! ঙাংশং ঙাংনা, কয়াগী মতিক ফজরিবা! অদুবু মখোয়সে চারুরগদি হাউতে, ইফক ফকই। অমুকসু য়েংঙু অঙাংশা! তিংখংনা কুয়োম ওইরবা থৈবোংশিংসে! চারুরগদি কয়াগী মতিক হাউরিবনো।*

অসিগুম্লবা ৱাখল লৌশিং মঙাল পীবা পাড়া কয়া তন্বীরকখি। তন্বীরিবা ওজাশিংনসু মচা খায়না তাকপী অসুম্না - ***অদুনা অঙাংশা! শক ফজবনা চৎনদে, লাইরিক লাইশু হৈবা মগুণ লৈবা মীশক ওইনবা হোৎনগদবনি। লাইরিক কন্না পাউকো।*** অঙাং ওইরিবা মরম্না ওজাশিংগী পাউতাক খুদিংমক লোইনা লৌশিনবা ঙম্বা নত্তে। মদুমক ওইদুনসু লাইরিক হৈবা অঙাং অমা ওইনীংবগী ৱাখলদি ফাওনখি। মদুননি ওজানা তাকখিবশিংদু চীনফা পুবা ঙম্নবা হোৎনবদা ইথন ইথন নাকোং মেনশিল্লগা খোঞ্জেলগী ভোল্যুম লৈজবী থাদুনা লৈখৎলগা য়ং-য়ং লাউনা পাড়াদু চীনফা পুননবা পানরল্লিবনি। ইশম হেক শম্না মতম অমগী লাইরিক খূত্তম্বীদো কাঙলোন চুম্বা লাইরিক খূত্তম্বীনি। হৌজিক মতমগী রাইম অদু অদা, জোনি জোনি য়েস পাপা কাসে নত্তে। মথং-মথং থাক-থাক নাইনা কাহনবীনি। ইমালোন মমূৎ তানা খঙহল্লবা মতুংদনি মীগী লোল হিন্দি, ইংরাজিনচিংবা মথং-মথং খঙহন্নবা তন্বীরকখিবদু।

থকসি-খাসি নাইহনবা, অফবা লমচৎ-শাজৎ শেমগৎপা, হৌন-লোনচৎ খঙহনবা, তাইবঙ শেন্বা মপূবু চেৎনা থাজহনবা, ইমা-ইপা, অহল-লমনশিংবু ইকায়খুম্নবা, শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, উপাল-ৱাপালশিংবু নুংশিহনবা, ইরৈবাক ইজাতিবু নুংশিহনবনা মপূং ওইরম্মী। হৌজিক মতমগী শেল ওরো-ওরো হৈথবী লাইরিক খূত্তম্বীসি নত্তে। থা-থাগী ফী চাউনা-চাউনা হুনবীসি নত্তে। লন্নাই ট্যুসন চৎনবা হোৎনবদা মীকূপ অমা ফাওবা নীং-খা তম্না শান্নবগী মতম ফংজদবা মওংসি নত্তে। লূম-লূম লাউবা স্কুল বেগকাসিদি ঙসি-ঙরাংতগী ফেসন্নি। নীংশিংলুরদি নুংশিখ্রজাৎনি, শ্লেট অমা কাঙগ্রু মতেক অমা, খূৎই লাইরিক অমা, তম্নরিবা লাইরিক অমা অনীদুগা। খূৎই লাইরিক্তো ইচম চম্বা নত্তে। ময়েক কাঙলোন চুম্না ইবা ঙমহনবগা লোয়নন মোরেল লেসন ঙাক্নি য়াওরিবা পাউতাক পাউরৌশিংদু। খুদম ওইনা হায়রবদা ***ৱাতোন্না ৱাংলগা ক্বাক্লা ফমদেকই, ঙক য়োন্দনবু সেনাপতি ফংবরা, থৌবান্দোং চফূবু কায়নবা য়ৈবরা*** অসিনচিংবা পনবা য়াই।

অহানবদা ময়েক অমদি মশীং খঙহনবগা লোয়নন মথং-মথং ময়েক তপশিন্নবা, তিনশিনবা, খাইদোকপা, পুরিবা, য়েন্নবা মমূৎ তানা খঙহন্নবা তন্বীরম্মী। অয়ূক্কী মতমদা লৱার প্রাইমারিগী থাক লোইরবা মতুংদা ক্লাস থ্রী কাবদগী নুংথিলগী মতমদা চথবা য়ু জে বী থাক মদুদগী মথং-মথং ক্লাস টেন ফাওবগী তাঙ্কক য়ৌরকপদা কয়াদা নুংঙাইজখিবা। পুং তরাদগী হৌবনি। মহৈরোয় কনামত্তনা টিফিন বোক্স পুবগী ৱাখল পোক্লুদে। মমা-মপা ওইবশিংনসু মদুগীদমক পোৎলূম ওইনদে। অদুবু চানীং-থক্লিংবা অরাম-খৌরাং পোক্কনবা মতমনি। রিক্রেসন মতমদা ইথন-ইথন ঐ-ঐগী ঙমজবী থাক্তা হৈনৌ অশংবা, পুংদোন অশংবা, হৈজামপেৎ, কাব্রংচাক মহৈ, হৈতোয়, বোরোই, বোকুল মহৈনচিংবা থি-থিদুনা পঙচাদা চাই। কনাগুম্বা অমা অনীদি মিথাই, লালুনচিংবা লৈরগা চাবসু অদুম ময়াওই। যূম-যূমদগী পুনরকপা থুম-মোরোক্তু পঙচাদা চানৈ। খোয়দৌ তানা হাউনা চাবনরা থোইদোক্লবু অমাঙ-অতা থোক্লদে। পৃথ্বীগী সিড়িদা কূম্লগা ঈশিং খূজোক-খূজোক কল্লগা পেন্না পেন্না থকপদো হৌজিক্তি ঙমগনি থাজদ্রে। মতমদুদা মহীক-মতাইগী ৱাখল খনবা শংখিদে।

লন্নাই ট্যুসন মফম অমদি স্কুলগী ক্লাস য়াওবদা ফূন্ত্রে তুরবা ওভর টিচিংগী পোৎলূম্না নন্থরবা মশা-মশানা লাইরিক ঔরাইজবগী মতমদি ফংজদ্রবা হৌজিক মতমগী মহৈরোয় অয়াম্বনা তৌনীংলরোইদবা খরদি মতমদুগী মহৈরোয়শিংনা তৌরম্মী। থাংজ খুদিং ছুটি তঙ্খায় থাদোকই। তৌবতবু স্কুল শিত্তোক শেংদোকপগী থবক্তি তৌরম্মী। নুপীমচাশিংনা ক্লাসরুম শিত্তোক-তৈথোকই। নুপামচাশিংনা স্কুল লম্পাক শেংদোকই। মতমদো ইন্টরনেট ইরা ওইদবনরা খঙদে, মহৈরোয়শিংনা লাইব্রেরিদগী লাইরিক মখল-মখল পাবগী হৈনবী লৈরম্মী। আর্বিয়ান নাইটকাসে মুন্না-মুন্নদুনা পাবমক্তদা পূমপৎ পৎপজাৎনি। লৌ-শীং মরাং কায়না লৈবা ইনাক খুনবা মীওই খরগী মচা-মশু খরা নত্তনা কনাসু লন্নাই ট্যুসন তৌনরমদে। হৌজিক্তি ট্যুসল্লা ফেসনলা মফম মরাং খঙলক্তরে। মীসু চৎনৈ হায়দুনা পঙচৎ চৎপা মানবা মহৈরোয়না মশীং হেল্লে হায়বা য়াই। শমজিল্লবদা ফুল ট্যুসন জিরো নোলেজ হায়বা য়ারবা মহৈরোয়গী মশীং নোংম-নোংমগী জৃ-জৃ কাখৎলক্লি। খ্বাইদগী মতিক চাবা পূন্সি লমজেলদা মাঙজিল থাবা ঙম্বা খরনা মোমোন-মোমোন্ননা হিংবা, ঙমদবশিংনা অহিংবা অশিবগুম্না লেনবা ফীভম অমা শাগৎলক্লি। মহৈ-মশীনগী হীরমদসু অদু মঙায়, সরভাইভেল ওফ দ ফিট্টেজ হায়বদুমক্লি।

লৈরম্মী মতম অমা মদুদি মহৈগী লাইরেম্বী সরস্বতি ইমাবু থম্মোয় শেংনা লাৎচরবদি লাইরিক হৈবা হেনগৎলি হায়না। চহী খুদিংগীনি, ফাইরেনগী মঙানি পানবা নুমিত্তা স্কুল-কোলেজশিংদা লাইরেম্বী মহাকপু ঈরাৎ থৌনিবগী থৌরম পাক্তক্লনা পাঙথোক্লরম্মী। ফাইরেন পানখৎলকপদগী হৌরে মথুম মরাং হৌনবা। নোংমা ৱাৎলিঙৈদগী মাইক খোংগৎলকপদুনা অমুক্কা হেন্না মথুম মরাঙ হৌহল্লি। অশিৎ-অৱান্থাগী নুংশিৎনা হুমদুনা পুরকপা নুংশি-নুংশিরবা ঈশৈশিংদো পূক্লিং নুংওনবনিদা! নুপামচা মহৈরোয়শিংনা অহিং য়ারেক্তুনা থৌরমদুগীদমক শীন-লাঙবদো কনানসু করিসু হায়নদে। মহৈগী লাইরেম্বীনা থৌজানবীনবগীদমক্লি খন্নে। অয়ূক্তা ক্ষিরনচিংবা অথুম অহাওশিং কত্তুনা লাইরিক হৈজগে হায়না খুরুমজৈ। থৌরমদুবু য়াওদবা হায়বসি লাইরিক শুংহৈ হৈররোইদবা বূ চঙদুনা এগজাম ফেল ওইগদবগুম্না কিনৈ। অদুবু ঐখোয়গী ওজা অমনদি অসুম্না হেক হেক হায়রম্মী - ***অঙাংশা নখোয় লাইরিক পাবা তনগনু। পাবু পারবা পাস তৌরে। পাবু পাদ্রবা ফেল ওইরে। সরস্বতী নমগন্দা পোরগা পরিক্ষা থারবসু করিমত্তা কান্নরোই। মানা কলম পায়রগা ইবীগদবা নত্তে।*** ওজাগীদু মহৈগী লাইরেম্বী মাবু করেম কথাইনবৈ মওংনি হায়না লৌবমক্তি লানগদ্রা খল্লি। থৌরম অসিগী অশেংবা নুংলোন অদু খঙহন্নীংবগী ওইরম্বসু য়াই। অদু অদা খঙদে, ঐখোয়না খনখিবা হায়ববু পাড়াকাসে অমুক্তং পাবদা চীনফা জর-জর পুবা ঙমহনবীনবা, এগজাম খুদিংমক্তা ৱাহং মঙা তরাদং খনগৎলগা চীনফা পুজবদু পূল্লপ হেক য়াওবীরক্লবা খুরুমজবনি। পাবসু তনবা হৈবসু নত্তবা ঐখোয়দো ফর্ষ্টকসু তানীংলিপোৎনি, ওইসু ওইরোইদবদা। থৌরম অদুদা থোইনা হেন্না থৱায় তাজখিবদি ক্ষীর চাবা অমদি শুমাং লীলা য়েংবদুনি। অসুম্না অহোংবা নাইবা খোঙচৎসিদা মতম অমগী লাইরিক খূত্তম্বীসু মমি শামখ্রে। ঙসিগীসে ফত্তে হায়বৈ ৱা নত্তে, ফৈ। অদুবু লন্নাই ট্যুসনগী ফেসনসিমদি ফরিব্রা হায়বদু নৈনবগী মথৌ তারি। ●

# পেন্দবগী খোল্লাও মরক্তা হিংবা

- নবকুমার ওইনা -

লমদম অসিদা ঙসি লৈনরিবসি কনা অমত্তা অপেনবা য়াওনদ্রে হায়বা য়ারক্লে। অমনা অমদা পেন্নদবা হায়বসি ৱাখলগী মায়কৈদুদি মান্নফম থোক্তে, মান্নদে। অমনা অমদা চৈনরিবসি অনীমক পেন্নদবা ঙাক্তনি, ৱাখল্লোন্দুদি মান্নদ্রিবনি। অহুমশুবা অমনদি মখোয় অনীসি পেন্নদ্রে হায়বা লায়না খঙলিবনি। খামজিনগদৌবা মীওইশিংদি কাঙলূপ অসিদগী হান্না থোক্লকফম থোক্লিবনি। হৌজিক ফাওবদি থোক্লক্তরি হায়বা য়ারি। পেন্দবা অমা ওইনা থোক্লকপনদি খামজিনবা ঙল্লোই। মদুগীদমক ৱাখল লৌশিং অমা মপূং ফাবা চঙলিবনি। করিগী লৈরোইদগে হায়বনদি য়ারোইদৌরি।

অচৌবা ৱাথোক ওইরক্লবদি ঙরাং-নহান্তগী পেন্নদবা ওইগদৌবা মান্দে। পেন্নদবসি খঙশিন্নদনা লৈরক্লগা ঙসি-ঙরাংগী মরাল পীনরগা ৱারোইশিন পুরকপা য়াগদৌবা লৈতে। লাইবক থীরিবদি অনীমক্লা অমনা অমবু হন্থনা য়েংনরকপগী মথক্তা অকোয়বনসু হন্থনা য়েংবা মাল্লকপা অসিনি। মালেমগী মীওইবা খুন্নাইগী মমাঙদা খ্বাইদগী লাইবক থীবা তাঙ্কক অমা ওইরক্লিবনি। খুন্নাই অসিগী ক্রোনিক ওইরবা, খঙনা-খঙনা লায়েংদ্রিবা লায়না ওইরক্লবনি। খোঙথাং শোয়রবদি মূৎলগনিতা হায়নবা তারি। তৌরিবা থৌরাং খরা অসিনা কনবা ঙম্লগনি হায়বা থাজবা ঙম্নদে। ৱাখলদা শাগৎপনদি নাক-পাক তানরি, ৱারী শানদ্রি।

ৱাবদি মীপূম খুদিং ৱানরে, কপ্পা-লাউবা নোংমগী তোক্লদ্রে, মীওই কয়াগী থৱায় মাঙখ্রে। নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎনরিবা লেপ্পা ঙম্নদ্রি। খন্নগদৌবদি নোংমৈ অমসুং মরূগী ৱারীদু নত্তে, কাপকনিদো হায়না কাপ্পা ঙম্নরিবা নাকল অনীমক্কী ৱাখল্লোন হন্না-হন্না মুন্না নৈনফম থোকই। কাউনরিবা য়েন অনীনা চুম্মী লাল্লি হায়নবনা ৱারোইশিন পুরকপা য়াগনি থাজদে। লম্বীদা লৈরম্বা নূংদা খুদি থিদুনা খোঙবী কায়ববু খোঙবী অমসুং নূংদুগী লান্নি হায়বসিবু কদায়দা চুমগদৌরিবনো? খোঙবী মপুসু, নূঙ লংথোক্লিবা অনীমক লোইনমক লাল্লি খঙনরকপদা ৱাথোক লৈরোইদৌরিবনি খল্লি। লৈবাক মচা তাদনা শেন্বা লম্বী খুদিং ৱাথোক ওইনগদৌরি। মপূ পান্দবা, লৈঙাক পান্দবা খুন্নাই হায়বসি অদুমক খুদি থিরদৌবা লম্বী অমদা চৎলিবনি। ঐনা-ঐনা খঙনরিবা খরা অসিনা লৈবাক অমা পানবা য়ারগদ্রা হায়বা খঙনদ্রিবা মাল্লি। লম্বী, থোং খরা শেল্লি হায়বনা য়ারক্লোই, লমগী মপূদি হোংখিবা য়াই, খুন্নাই নৎত্রগা লৈবাক অমদি মীশিংদুগী কোক্তা লৈগদৌবনি। চুম্নতা নুংশিবনসু য়ারক্তবা লাক্কনি। থৱায় য়াওরি, শিবা ঙমগনি হায়বতনা য়ারক্ত্রে।

নিংথৌ অমা শিল্লোংদা কোয়শিল্লগা থমখি, করিসু তৌজবা ঙমখিদে; ঙসিসু খুদেং অমা কোয়শিল্লগা থল্লি, করিসু তৌবা ঙমদ্রি হায়নবসু লৈ। হকচাংগী, পাঙ্গলগী অৱাৎপা মাল্লক্ত্রে, কোক্কী পাঙ্গল শোন্থরক্লব্রা চিংনবা পোক্লরিবনি। ইমা লৈবাক অমবু লাই ওইনা নীংই হায়বসি ইকায়বা পোক্লকই, হুরান্নবদি ইকায়নদে। হুরানবসি মশানা চুম্মী হায়না খন্নরিবনি, অদুম চুমগনি হায়বদি লৈতে হায়গনি, চুমথোক্লবদি ঙম্নদে। লৈবাক্কী ৱাথোক্তগীদি মী অয়াম্বনা হুরানবা য়ারে হায়না থাজনরিবা অসিনা হেন্না চাউবা ৱাথোক ওইরক্লিবনি। মদুমকসু লায়েংবা ঙমদ্রিবা লায়না ওইরিবনি। লৈবাক্কী ৱাথোক খুদিংমক্তসু শম্নরক্লিবনি। হুরানবা মশেলদি ফানদে হায়বদু চুম্লক্লি। হুরানবদু চুম্মী হায়বগী মরমসু পুথোক্লরক্লি। লমদম অসিদা পোক্লুবগী তাবদা য়ানীংদবা ৱা, য়েংনীংদবা মী মশীং হেনগৎলক্লি হায়বা মীসু মশীং য়ামখৎলক্লি। মদুসু পেন্দবগী খোল্লাও অমনি, মশা হিংজনবা হোৎনবদি ৱাজরবা মীওই খরনা মালেমগী ঈশিং-নুংশিৎ শেংলক্তবগী ৱাজরগা করি কান্নবা ফংলি হায়বগী ৱাকৎসু লৈরি। লান মরকসিদা শিবা-নাবা ময়ামগী ঈশৈদা শেল থানবদি তোকপা নত্তে, লাঞ্জেল্লকপশিংদা তেংবাঙ পীবসু তোক্লদ্রি। পেন্দ্রে হায়রিবা লৈঙাক্লা কদোমদা করি তৌরিবা, মীয়াম্না লৈঙাক য়াওদনা করি তৌরিবা। উনা-উনা পেনবা ঙম্নরক্ত্রে, খঙবা ঙমদবনা হেঞ্জিল্লক্লি। কনানা কনাদা পেন্নদ্রিবনো ময়েক শেংনা খঙববু ঙমশিল্লক্তরে। মদুনবু কমদৌনা ৱাথোকসি লোইশিনগদৌরিবা! ৱাথোক্তি চাউরক্লি।

অচৌবা কাঙলূপ অমা ওইনা চাউথোক্লরিবা মীওইশিংসি ফূরুপ মচা কয়া খোমজিল্লগা শাগৎপা মমিং অনৌবা ঙাক্তনি। উরিবা খঙলিবশিংনা হায়নদবগী ৱাদুনি। মসিবু ‘ঐনা তৌরবদি য়েৎলকপা য়ারোই’ হায়বদুরা, তুংগী মীরোলনা করি হায়গদৌরি। ইচা-ইশুশিংগী মমাঙদা মীনম্নরগা করি কান্নবা ফংগদৌরি, মালেম অসিগী মমাঙদনা করি ফজবা ফংগদৌরি। অমনা অমদা তায়নরগা মালেমসি শিনবা থুংনা লানগী লান ঙাক্তা শন্দোরক্লি। লমদম অসিগীসু শরুক থুংলক্লে। য়াওদে, য়াওরোই হায়না চেনবা য়াররোই। ৱাখলদদি শেম শাহৌদ্রে হায়নরি। মদুনা য়ারদরা? পেন্দে হায়নবনসু য়ারোই। খূৎনা তৌরিবা থবকসিদগী কোক্লা তৌরক্লিবা থবক অদু থেংনবনা লুবা হেল্লিবনি। ঙসিদি অঙম্বা শানরি, হয়েংতা মঙাইরে ইকায়বা পোক্লুরক্কদৌবা। খন্থনদ্রবদি মদুসু খঙলোইদৌরিবনি। খল্লুবগী হায়বনি থোইনা থাজবদি লৈত্রি।

ইরিবসিসু ৱাখল লৈবা, অশিংবা মান্নবা, চনীং তারবনি হায়দুনা পঙই ইশিনবা মানবসু য়াই। তশেংবদি ইদোম হিংবসি ফাওবা পেন্দবা পোক্লকপা অসিদগীনি। ঐখোয় মীওইবসিবু চিন্দতা ওইরবসু নুংশি হায়বা ফোঙদোক্লবসিবু শেল তিংব্রা হায়বা। হান্নদি নুংশি হায়রগা য়ূমগী নুপী ফাওবা হাত্তোকপা ঙম্নরক্লিবা অসিবুরা মীনুংশি চাউবা হায়নরিবসে? নুংশিদে হায়রগা ওইজবা ফংগনি খল্লিবনা করি কান্নবা ফংগদৌরিবা। নুংশিদবসিদি লৌবুক লম্মাংদা ইতোমতা থোক্লগা চিনসি পেন্নবা চৈবা, ঙাঙনীংবা ঙাঙথোকপা। মদুনা পুৱারী ওইবা য়াবা নত্তে, মিং চৎপা য়াবসু নত্তে। রেকোর্দ তৌরগা মীয়াম খঙহন্নবা হোৎনরুবদগী খুন্নাই অমবু হন্থবা থাক্তা চিংথনবা হোৎনবা অসিবুদি খন্থহৌদ্রে হায়রিব্রা? অঙম-অরায় খঙনরক্ত্রবদি গাড়ী ফাওবা লোকখাদা থৌথনরিবনি। খুন্নাই অসিদি কদোমদা থৌজিল্লি হায়বা খঙবা ঙমশিল্লক্তরে।

লমদমসি ঙাক শেনগনি হায়দুনা লাকখিবা লাম্মী ময়ামদা মীয়াম অমনা পেন্নদ্রে। মসিবু মালেমদা লাম্মী হায়বশিং অসিগী শাজৎ অদুননি হায়বা তাবরা? ঐখোয়গী লাম্মী হায়বনা কদায়, মালেমগী থাক্তা য়ৌগদৌবা কয়াম ৱাৎলিবা? খূৎলায় য়াওদনা লান চঙবা য়াব্রা? বোম-টোপ-নোংমৈগী মমাঙদা থাঙগী জগোয়, ঈশৈ-নোংমাইদা, শান্নবদা মী খায়দোকখিবসি লৈবাক্কী থৌগায়দা মীশিং হন্থরকপা উরবনি। শান্নবুংদদি অঙাং ময়াম উই, লাইব্রেরিদনা অঙাং অমত্তা উদে, লাইদি তোয়না য়েকহল্লি। মমা মপা ওইবশিংনা ফিজৌ শেৎলগা লিশীং-লিশীং পুল্লগা চাক্লেন চাবা, লাই খুরুম্বা/হরাওবা, লোন খঙদবা ঈশৈদা মতম লেনবদি চহী লিশাং শিৎনা উনদুনা লাক্লবনি। থবক্তি শূনদনা ইকোনোমিগী ৱারীতা তৌনদুনা লাকখ্রবনি। পেন্দে, লাল্লি হায়বা নত্তে; মীয়াম অসিবু, লৈবাক অসিবু কদোমদা চিংলগা পুরিবনো হংনীংলকপদুনি। লাইনি হায়না লাৎলিবা ইপা-ইপুশিং অদুবু কনানো খঙজিল্লক্তরে। করম্বা ইপা-ইপুদা কৎকদৌরিবা ইরৈবাক্লো হংনরক্লবনি। খন্নরিবা ৱাখল পরিং অসিগী লৈখাই তাবা ঙম্নগদৌরিব্রা?

মৈহৌরোলদগী চত্থরকপা খুন্নাই অমগী শক্তম অদুদি মশক হোংখ্রে, মাঙখ্রে হায়ববু য়ারে। ফূরুপ-ফূরুপ খোমজিন্নরগা লূপ শেমগৎনদুনা মাগী-মাগী ফূরুপ্পি হায়না খৌ পোংনা লাউনবা ঙম্নরকখ্রে। খন্থনবা য়াবদি খোমজিন্নরিবশিং অদু পূন্না হান্না লৈমিন্নরম্বনি হায়বসিনি। শা-ঙা থোংবতবু মকক-মকক কক্লে, খুন্নাই অমা শেমগৎপদি পূনশিন্নদ্রবদি য়াদে হায়বসিনি। পূনবা হৈতবশিংনা লৈবাক শেন্বা মায় পাকপা ঙল্লোই। লমদমসিগী ঈদি (জেন) ঈপুন পূল্লবনি, নহা মাইবা খরনা মানা-মানা পাম্বা লাইশোন পঙশোন শোঞ্জিনবনি। লাই শান্নবা নহা মাইবশিংগা হিকাপ-তেনকাপ তৌনবা অরায়বা নত্তে। লাইনা তৌবসু নত্তে, লাইরিক তন্বীবা শোয়খিবগীনি হায়গনি। লাই শান্নবসি লাইরিক তম্বা কৌবা য়াদে। মীপূম খুদিং লাইরিক তম্নরবনি, লোইনা হৈবদি ঙম্নদে। লাইরিক হৈরবশিংনা হায়বদু হৈতবশিংনা য়াদ্রিবনি। লাইরিক হৈতবনসু মশীং য়াম্না হেল্লিবনি, মসিদবু কদাইদগী দেমোক্রেসি হায়বসিনা চুম্না চৎপা ঙমগদৌরিবনো? লৈঙাক্তবু লাই থেৎচিল্লক্লি, করিগী ৱা থোক্লোই। লাই নীংলিঙৈদা মী হাৎনবা, শিনবদু তাবা ঙমখিদ্রিবনি। অদুগুম্বা লমদমদুদা লৈনরিবনি, কনানা কনাদবু পেন্নগদৌরিবনো? হিংদবদি য়ারোই, ঙম্নবা হিংগদৌবনি, হিংবা ঙম্নবা হোৎনরিবশিং মরুপ ওইগদৌবনি হায়বসিসু খঙগদৌবনি, মদু নৎত্রবদি হিংবা ঙল্লোইদৌরিবনি। অদুনবু হাত্তোক্লনবা শিনবা য়াওরক্লিবনি। হৈবী তিঙ্খাং য়ুবদু শৎপা য়াদ্রবদি মচেৎ-মচেৎ থুগাইরগা লৌথোকপা চৎনরিবনি। খুন্নাই অমবু খুজিন্দা য়ুবা তুমগুম্না খনবা ওইরবসু মীওইবগী শাজৎকী ৱাংমদা থল্লবদি অদুম খঙনবা ৱানি। য়োংজাওনা হনুমান শারগা লৈবাক কনবা ঙমগনি হায়বদি লৈতে। ঙসিগী শাজত্তা হোংলক্লিবা লৈঙাক্লোই ময়ামসিনা মালেমসি মৈ চুরিবনি। খঙজদবা কাঙলূপ্পা মৈশা লাংবা, পাঙজদবা ফূরুপ্পা মৈতান ওনবা হৌনশানি। মসি খঙনা হিংবা ঙম্নবা শাজৎ অমা শেমগৎচগদবনি। মদুগীদমক মীচং খোমগদৌবনি, মী লোয়নবা হৈগদৌবনি, কাঙলোন অমা শেমজগদৌবনি। মদু ঙমজদ্রগা ঙমজদ্রেদনা, খঙজদ্রগা খঙজদ্রেদনা হায়বদা তাবনি।

ঙসিদি মণিপুরী হায়বা য়ানীংদবা কাঙলূপ থোক্লক্লে, নমদুনা থম্বা য়াগদৌরিব্রা হায়বা ৱাহং লাক্লে। চুম্মী, লাল্লি হায়বদু নত্তে, ৱাখলগী থাক অদুদি ফজদে হায়বা য়ারোই। অদুবু মীওই খরনদি তাঙ্খুল খঙই, নাগা খঙদে, খোংজাই খঙই, কুকি খঙদে। অনীমক্লা মীতৈ হায়বসি মুন্না খঙদবা মাল্লক্লি। অদুনবু অমনা অমবু পেন্নদে, ফজনা লৌনদে, নুংশিনবা ঙম্নদে। অপূনবা শাগৎপা হৈতবগীনি হায়গনি। ৱাখল থেনবদগী, তোঙান চানীংবসি মৌ অনৌবীগী শাজৎনি হায়নৈ। শাগৈগী থাক্তগী ফূরুপকী থাক্তি য়ৌনরে, লৈবাক্কী থাক্তা য়ৌনদ্রিবনি, লুচিংবশিংনা করি তৌবা ঙল্লবগে উনরবনি। হোৎনরিবা হায়বদুনি। মসি পূম্নমক হ্যুমেন সিভিলাইজেসন অমদা চংশিন্নবা লম্বী অমা শেম্নবনি। মালেম পূম্বনা কংলৈপাক্তা ওনশিল্লক্কনি হায়বসু লৈরিবনি। ●

# ঐখোয়গী অপূনবা শাগৎসি

- এম রঘুমনি -

মে থা, ২০২৩দগী ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোকশিংদগী মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয়না উরে, তারে, খঙলে- কুকি-জৌ কাঙলূপশিংগী মচৎ, লমচৎ-শাজৎ, মী উশিত্তবা, ফজদবা পুকচেল-থম্মোয়, ৱাঙাঙ-ৱাহৈ ফজদবা, চাকচা, হুরান-লোন্না, খংপ্রেক খংহন্দুনা লান্দাবা, মীওৎ-মীনৈ, থৌওং-থৌদৌ, থৌশিল-থৌদা, মীহাৎ ফজদবা, ফত্তবা লাল্লোং, মখোয়না অরানবা তৌরগা মীতৈদা থংজিনবা, মশাগী ওইজবা থিবদা মীগী খন্দবা, মীনাইনা/চঙজরকপা মীনা মপূদা ওনশিনবা মতৌ, মশা মশক খঙজদবা, মীগী লাইনীং মাঙহন্নবা হোৎনবা, মখোয়গী মচিন থীবা-হায়জিনবা, মখোয়গী অরোনবা খুজিল থৌরাং, পোরম অমসুং থৌরম, হৈশিংবা মতৌ, লান পাম্বা মতৌ, মখোয়না ঙম্বা মীশিংদা মখোয়না চৎপা মতৌ, মণিপুরদা মখোয়গী তোঙানবা লৈবাক শেম্বগী পান্দম, মীতৈ হাৎননবগী পান্দমশিং অসিনচিংবসিনি।

খুদম ওইনা হায়রবদা ১) মণিপুরদগী দিষ্ট্রিক্ত খরা লৌথোক্তুনা জোলেন্দ নৎত্রগা কুকিলেন্দ শেম্নবা হোৎনবা; ২) ষ্টেট ফোর্সপু চুড়াচান্দপুর, মোরেনচিংবা মফমদা লৈহনগনু হায়বা; ৩) মফম, মতম, ফীভম য়েংদনা কাপনীংবা মতমদা নোংমৈ অমসুং বোম কাপথরকপা; ৪) ষ্টেট ফোর্সতা তাঞ্জা য়েং-য়েংদুনা নোংমৈ, বোম কাপশিনবা; ৫) মীতৈশিংদা কিহন-খংহনবা; ৬) মখোয়না মশীং য়াম্বা চুড়াচান্দপুর, মোরে, কাংপোকপীদা মীতৈনা ৱানা লেনখিবা; ৭) মে ৩গী মমাঙদা ইম্ফালদা লৈবা কুকি-জৌ ফূরুপ্পা ওফিস কাদনা ছুটি নীরম্বা; ৮) মীতৈশিংবু লৈবা কিননবা মফম কয়াদা ফত্তবা থৌরাং চথবা; ৯) মীতৈ দুকান ফম্বশিংদগী তোঙানবা টেক্স মখল অমা মখোয়না লৌবা; ১০) মীতৈ কয়া লোন্না থুপ্পা হাৎখিবা, খরনা মশা ফাওবা থিবা ফংহনখিদবা; ১১) মে ৩গী রেল্লিদা খূৎলায় পায়দুনা রেল্লি চৎপা য়াওবা; ১২) এপ্রিল থাদা চুড়াচান্দপুরদা চীফ মিনিষ্টরনা শঙ্গাগদবা জিম সেন্টর মাঙহন-তাকহনবা; ১৩) রিমেম্ব্রেন্স ৱালদা মৈ থারম্বগী মরাল মীতৈদা তায়নবা- খুদম পীবসু ঙমদবা; ১৪) মীতৈশিংবু চুড়াচান্দপুর টাউনদগী ‘মীতৈ হাৎলো’ ‘মীতৈ হাৎলো’ হায়না লাউদুনা তান্থোরকপা, চুড়াচান্দপুর খত্তদগী নত্তনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী মফম পূম্নমক্তগী তান্থোরকপা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ত লানশিন্দুনা চঙলক্লগা মীতৈশিংদা ওৎ নৈবা, হাৎপা, ফূবা, তান্থোকপা, য়ূম মৈ থাবা চত্থরকপা; ককচীং, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ততা চঙশিল্লক্তুনা মী হাৎপা, নোংমৈ কাপ্পা, বোম কাপ্পা, য়ূম মৈ থাবা, লান্দাবা চত্থরকপা লোয়নন চমজরবা মীচমশিং ৱাহনবা; ১৫) তেংনৌপল অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ততগী মীতৈশিং তান্তোরকপা লোয়নন হাৎকনি হায়না থিবা, য়ূম মৈ থাবা, পোৎ চৈ, লন-থুম হুরানবা অমসুং মাঙহন তাকহনবা; ১৬) মখোয়না খৎনবা/হাৎনবা হৌরগা মীতৈদা তায়নবা, মীতৈগী লাইফমশিং মাঙহন-তাকহনবা, লাইফমশিংদা ক্রোশ য়ুংশিনবা, অশেংবা লাইফমগা লাইশঙগা অনীগী খেন্নবা অমসুং মমল খঙদবা অসিনচিংবসি পনবা য়াই। মখোয়না মপান্দগী মখোয়গী কাঙলূপশিংগী মী য়াওহন্দুনা লান্দারকপনি হায়নরি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু অতম্নবা তৌবা মানবা মওংদা মীতৈশিংবু মীরায়বীরি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা মে ৩ মতুংদগী ঙসি ফাওবা মণিপুরদা লাকখিদ্রি। হোম মিনিষ্টরসু অমুক্তং লাক্লম্লগা লাকখিদ্রে। লান খাম্বসু ঙমদ্রে। মখোয়গী খুজিল থৌরাং ফজনা খঙবা ঙমদ্রে। ইন্দিয়াগী পেরা মিলিটরিনসু লান খাম্বা/থিংবা ঙমদ্রে। মসি চীংগী লমদা মরু ওইনা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, তেংনৌপল অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্ত মরিসিদা লৈরিবা কুকি-জৌ লমহেনবশিং থিংবদা/লাকশিনবদা মখোয়না তৌগদবসু তৌদ্রে। মীতৈ লাম্মীশিংদা মতেং পাংবসু পূক্লিং চঙদে। বফর জোন শেমদুনা/ঙাক্তুনা লৈরে। মণিপুরগী সিক্যুরিটি ফাগি তাহল্লে। চীংমী কাঙলূপ খরদি জৌগী/কুকিগী মায়োক্তা ফোংনা ৱা ঙাঙবা ঙমদ্রে, কিরে। হৌজিক লান থেংনগদৌরিবসি মীতৈ অমসুং মীতৈ পাঙল খক্তা ঙাইরে। মীতৈ পাঙলসু য়াওশিল্লকপসি য়াম্না ৱাৎলি। মীতৈশিংনা লাইয়ন সিয়ার লৌরগা লান্থেংনবা তারি। মরম অসিনা এসিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীতৈশিংনা মণিপুরগী মীতৈশিংগী মতেং পাংবা মথৌ তারে, অঙম্বা মতেং পাংবীনবা হায়জরি। হৌজিক মসি হায়জবগী মরমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পুকচেল শেংদবা মচৎসিননি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৩

১) **“ময়ি চৎলবা থৱায়”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

২) **“তীর্থ যাত্রিক**
**নীংশিংবগী ইরোন্নুংদগী খোংদোইরকপা”**
হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) **“য়েস সার! নো সার!”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৪) **“অতোপ্পা লোনগী ৱারীমচা”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা খোমজিল্লগা সম্পাদন তৌদুনা পুথোরকপগে?

৫) **“ফাইরেন থানা লাকপদা**
**অঙাওবা মালং ওইবা নঙবু**
**ইঙাও ঙাওনা খোঙদোইরক্লো**
**থম্মোয়গী থোঙ্গাল তম্না লাক্লো”**।
ঈশৈ মতেক অসি অইবা অমগী ঈশৈ শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবগী মমিং অমসুং লৌথোরল্লিবা লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।